হুইয়েন লানপাউ
The Messenger of the Masses
Refreshingly Reliable

সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা থাসিগী ৭ ফাওবা চথগদবা নেসনল ন্যুট্রিসন ৱিক খুমন লম্পাক্তা লৈবা বাল ভবন্দা হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপগী শক্তম




থাংমৈবন্দ হিজম লৈকায় চীংঙাখম কম্যুনিটি হোলদা *ইরাদিকেসন ওফ ইল্লিসিট দ্রগস এন্দ লিকুর* হায়বা থিমদা পাঙথোকপা এৱার্নেস প্রোগ্রামগী শক্তম



জি পি ৱিমেন কোলেজদা পাঙথোকখিবা কঞ্জুমর রাইটসকী এৱার্নেস প্রোগ্রামদা চান-থৰুবা পোৎলম লৈবদা চেকশিন্নবা ডো. তোম্বনা ৱা ঙাংবা




উচেক্কোন নোংপোক গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান নাওরোইবম অনিতাগী য়ুমদা নোংমৈ কাপ-শিল্লন্বা, শওম্বুং প্রধান ইবোমচা নোংমৈনা কাপ্লম্বগী মায়োক্তা ৱাকৎ-মীফম ফম্বা



৩৮শুবা চহী,১৭২শুবা মশিং | লৈবাকপোকপা, লাংবনগী ৮নি পানবা | অপুনবা লমায় মশিং ৮ | HUEIYEN LANPAO, Tuesday, September 02, 2014, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 3.00

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা- ২৮.৬ দিগ্রী সেলসিয়স
খ্বাইদগী ঈংবা-২১.৮ দিগ্রী সেলসিয়স
নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিল-
অয়ুক-চাদা ৭২
নুংথিল -চাদা ৮১
নোংজুগী চাং-০.৮ এম এম
নুমিৎ থোকপা -অয়ুক পূং ৪.৫৮
নুমিৎ তাবা-নুংথিল পূং ৫.৩৫

## প্রধান ইবোমচা কাপ্পা ক্লেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ ঃ ইম্ফালগী রাজ মেদিসিটিদা অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরিবা শওম্বুং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ইবোমচা নোংমৈনা কাপ্লম্বদু লালহৌলূপ তরুক্কী কোওর্দিনেসন কমিটি (কোরকোম)ননি হায়না ক্লেম তৌরক্লি। প্রধান ইবোমচা অমসুং মীওই অনীনা মোব ট্রাইএলদা মাঙজিন থাখি হায়না লূপ অসিগী মিদিয়া কোওর্দিনেটরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## সী এমগী খোঙচৎ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ ঃ চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা লূচিংবা টিম অমা ঙসিদগী থা অসিগী ১৩ ফাওবা মপান লৈবাক্তা চৎকনি হায়না তৌরম্বা খোঙচৎ অদু উখুলদা থোক্লিবা তংদুলৈতাদবা ফীভম অসিনা মরম ওইরদুনা মতম খরা য়ৈথোকখ্রে। খোঙচৎ অসি থা অসিগী ৫দগী খোঙশাল্লবা য়াই হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়রি।

## তমেংলোংদসু প্রোটেষ্ট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ ঃ উখুল টাউনদা হৌখিবা ওগষ্ট ৩০ দা পুলিস অমদি মীয়ামগা মুক্নবদা মীচম অনী শিখিবা, তরুক্কা অশোক-অপন নংহনখিবা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি তমেংলোং টাউনদা দুকানশিং থোঙ লোন্দুনা অয়ুক পুং ১০ দগীনা ১১ ফাওবা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। তোঙান-তোঙানবা মীওই লিশিং অমরোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদু জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, জেলিয়াংরোং য়ুথ ফ্রন্ট, জেলিয়াংরোং বাউদিনচিংবনা পুন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

## মীটিং পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ ঃ তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী দিপ্যুটি কম্মিস্নার (দি সী) গী ওফিসতা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীটিং অমা থা অসিগী ১০ গী অয়ুক পুং ১১দা পাঙথোক্কদৌরি। কনাগুম্বা মীওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা অনৌবা পুলিস ষ্টেসন থমহন্নিংলবদি মাঙজৌননা মীটিং তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা দি সীদা ৱাকৎলকপা য়াগনি হায়রি।

## টেলিফোন য়াখিদ্রে

পাউচে অসিগী লেন্দলাইন টেলিফোন অহুম্মক য়াখিদ্রে। মীয়াম্না চাকথোং-গ্যাসনচিংবা য়াওনা অতৈ ঈ-পাউশিং মোবাইল ফোন নম্বর ৮৫৭৫১১৭৫০০ : ৯৮৫৬০২৯০৭১ নৎত্রগা ৯৮৬২৫১৭ ০৩২দা পীবিরক্নবা হায়জরি। *-এদিটর*

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 79.476537 |
| US Dollar | 60.498370 |
| British Pound | 100.506908 |
| Australian Dollar | 56.529488 |
| Canadian Dollar | 55.713561 |
| Chinese Yuan | 9.849127 |
| Malaysian Ringgit | 19.158391 |
| Hong Kong Dollar | 7.806087 |
| Japanese Yen | 0.580284 |
| Nepalese Rupee | 0.620623 |
| Singapore Dollar | 48.430863 |
| Bangladesh Taka | 0.78132 |
| Myanmar Kyat | 0.06210 |
| Thailand Baht | 1.892203 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | |
|---|---|
| Mumbai | – Rs 28130 |
| Delhi | – Rs 28260 |
| Kolkata | – Rs 28230 |
| Chennai | – Rs 28210 |

**অস! লোইরেহে!**




# সেপ্টেম্বর ৪দগী নেসনল অমসুং ষ্টেট হায়ৱেশিংদা মতম কক্তনা বন্দ কৌখ্রে


## মীওই কয়ানা নাগালিম ফিরাল পায়দুনা লৈখিদ্রবা মীওই ২দা ঈকায় খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস) ঃ উখুল টাউন্দা মণিপুর পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অনী শিখিবগী মায়োক্তা অমদি নাগাগী তোকখায়বা লৈঙাক সাসন থম্নবা দিমান্দ তৌরদুনা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীলনা নাগা তাবা মফম ফাওদুনা চৎলিবা নেসনল অমসুং ষ্টেট হায়ৱে পুম্নমক্তা থা অসিগী ৪গী অয়ুক পুং ৬তগী মতম কক্তনা বন্দ কৌখ্রে।

মরক অসিদা হৌখিবা ওগষ্ট ৩০দা উখুল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরসতা থোকখিবা মীয়ামগী ঈহৌ নমথনবা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা লৈখিদ্রবা মায়োপম রামরোর অমসুং রামকশিং বাশিগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না নাগালিমগী ফিরাল পায়দুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অনী অদু ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা তাঙ্খুল নাগা লোং গ্রাউন্দগী চীদাইদা মীওই লীশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখি। মহৈরোয় য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মশক নাইবা মীওই কয়ানা লৈ কৎনখি। লৈরোন চনবা থৌরম অসি পাঙথোকপা য়ানবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট ওথোরিটিজনা সীআর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী অথিংবা মতম খরা লৌথোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল (য়ু এন সী)গী প্রসিদেন্ট




অদানিনা হায়খি, লৈখিদ্রবা মায়োপম রামরোর অমসুং রামকশিং বাশি নাগাগী মরমগীদমক থৱায় কৎখিবনি। মখোয় অনীবু ঐখোয়না মতম চুপ্পদা ঈকায় খুম্নগনি। মণিপুর গভর্ণমেন্ট নাগাগী এরিয়াদা পোলিটিকল বোয়কোট তৌনবা নাগাগী এপেক্স বোদিনা ৱারেপ লৌরে।

অমরোমদা, য়ু এন সীনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমনা হায়, ওগষ্ট ৩০দা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা শিখিবা মীওই অনীগী অরোইবা মথৌ মঙম থৌরম পাঙথোক্তিঙৈ মাঙওইননা নাগা লূপ কয়া শরুক য়াদুনা ঙসি য়ু এন সীগী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিং অদু অরোইবা মথৌ মঙমদা তিনখিবা মীয়াম্নসু শৌগৎনখি।

মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিং অদুদি নাগা ট্রাইবলশিংগী মথক্তা কাঙলূপ নাইবা পোলিসিশিং মখা চথদুনা পুলিস ফোর্সনা চথখিবা মীহাৎ অমসুং হিংশা অদু খ্বাইদগী কনবা মওংদা কন্দেম তৌবা, লৈখিদ্রবা মায়োপম রামরোর অমসুং রামকশিং বাশিবু নাগাশিংগীদমক পূন্সি কৎখিবশিং ওইনা লাউথোকপা অমসুং মতুংদসু মখোয়বু ঈকায় খুম্নবা অসিনি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টপু নাগা এরিয়াদা পোলিটিকল বোয়কোট তৌবা হায়বদু অমুক হন্না চেৎশিন্নবা অমদি নাগা এরিয়াদা পায়খৎলিবা নেসনল প্রোজেক্টশিংগী...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# বোম পোকখায়হল্লি হায়দুনা এ আরনা ইমুং ২ খুলদগী তান্থোক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০১ (ঐচএনএস) ঃ চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা, ম্যান্মারগা তায়নবা ওল্ড সমতালদা হৌখিবা ওগষ্ট ২৬কী অয়ুক্তা আই ঈ দি পোকখায়হন্দুনা এটেক তৌখিবা থৌদোক অদু খুঞ্জাশিংনা থোকহনবনি হায়না তাইশিন্দুনা আসাম রাইফলসনা ইমুং অনী খুলদগী তান্থোক্লে।

খুলদগী তান্থোকখ্রবা ইমুং অনীগী মীওই ১৭ ন্যু সমতালগী য়াম্না মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফম অমদা কনাগুম্বা অমত্তনা মতেং পাঙবীদনা অপীকপা লৌতাংশঙ অমদা কনাসু খঙহন্দনা লোৎলগা লৈরি। মখোয়গী মনুংদা চহী ১ রোমতমক ঙাইহিরিবা অঙাং অমা য়াওনা পুন্না অঙাং ১২ য়াওরি। অঙাংশিংনা অয়াম্বা ওইনা তৌবা মীওইশিং অদু তিন্নৈলিং (৩০) অমসুং লুনখোজাম (৫৭) গী ইমুংশিংনি। অহল অনীনা শেন্নরগা লৈরি। তিন্নৈলিংগী মপুরোইবা জামখোলুন (৩৬)দি আই ঈ দি পোকখায়হল্লি হায়বগী মরালদা আসাম রাইফলসনা ফাখ্রে হায়রি।

পাউমী কাঙবু অমনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা ইমুং অনী অদুগী ফীভম য়েংলুবদা নোংজু-নুংশা ঙাকথোকপদা মতিক চাদ্রবা, অনেম্বা লৌতাংশঙ অমদা চান-থৰুবা পোৎলম অমফাওবা লৈতনা য়াম্না ৱানা লৈরমখি। এ আরনা তান্থোরকপদগী কিদুনা চেল্লকপদা মশাদা শেৎলি-ইল্লিবা ফিরোলখক নত্তনা অতৈ অতোপ্পা ফিরোল লৈরমদবা থেংনখি।



পীক্লিবা, মীরোল তাদ্রিবা অঙাংশিং অদুনা পাউমীশিং লাকপদা তঙক-তঙক য়েংবা, খরা মীরোল তারবা নুপীমচাশিংনা থৱায় নুংঙাইতনা মমীৎতগী মপি তাবা, য়েংহৈদবা ফীভম কয়ামরুম উবা ফংখি।

লুনখোজামনা পাউমীশিংদা হায়, আই ঈ দি পোকখায়খিবা অদু মহাক অমসুং ফাজিনখ্রবা জামখোলুননা থোকহনবনি হায়না আসাম রাইফলসনা মরাল শীবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ম্যান্মারদা লৈখিবা মহাক্কী লোয়নবীগী অনাবা হংলুরগা য়ুমদা হল্লকখিবদু বোম পোকখায়গদবা নুমিৎতুগী হেক থংনবা নুমিৎতনি। আই ঈ দি পোকখায়খিবা থৌদোক অদু ঐখোয়গা করিসু মরী লৈনদে, পোকখায়গনি হায়বা খঙসু খঙখিদে, এ আরনা মখোয় অনীবু মরাল শীবিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, বোম হেক পোকখায়খ্রবা মতুং এ আরনা খুলগী খুঞ্জা পুম্না খুলগী লম্পাক্তা পুথোকখি। চহী ফাদ্রিবা মচা চেনবী নুপীশিং ফাওবা লম্পাক্তা থোকহনখি। করিমক্তা চাদনা, নোং মরক্তা অয়ুক অঙনবদগী নুমিদাংগী পুং ৮ ফাওবা লম্পাক্তা থমখি। খুঞ্জাশিং অদুবু লম্পাক্তা থম্লগা এ আরনা য়াংমিন্থাং, য়াংমিলোন অমসুং ঙামলেত কৌবা মীওই অহুম য়ুম অমদা কৌশিল্লগা মীনুংশি য়াওদনা শা-ষণদা ফুৱগুম ফুন্দুনা ৱাহং-পাউহং তৌখি।

মদুদসু নত্তনা ওল্ড সমতালদা লৈবা ৩-এ আরগী পোষ্ট কমান্দর মেজর সুতরনা, বোম পোকখায়হল্লিবসি নখোয়ননি, ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

# মালোমদগী চুড়াচান্দপুর ফাওবগী লম্বী লেন তরুক ওনখৎনবা সেন্টরদা তক্নগনি : বি জে পি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচএনএস) ঃ ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী ২০/২০ ভিজনগী মখাদা মালোমদগী চুড়াচান্দপুর ফাওবগী কিলোমিটর ৭৫ রোম শাংবা লম্বী অসি লেন তরুক্কী লম্বী ওইনা শেমগৎনবগী লুপা ক্রোর ১৩০ চঙগদা প্রোজেক্ট শেমদুনা থানবা থৌরাং তৌরি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট থৌনাওজম চাওবনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পিগী ওফিসতা ঙসি পাউমী খরগা উনবদা থৌনাওজম চাওবনা হায়খি, ইম্ফাল সিটিগী হেক মথংদা চুড়াচান্দপুর ২শুবা সিটি ওইনা শেমগৎনবা বি জে পিগী ২০/২০ ভিজনগী মখাদা থবক পায়খৎনবা এক্সপার্টশিং য়াওনা খন্ন-নৈনরি। এক্সপার্টশিংনা পীখৎলকপা প্রোজেক্ট রিপোর্ট অদু এন দি এ গভর্ণমেন্টতা থারবা তুংদা লম্বী অসিগী মরুওইবশিং নীংথিনা ৱাখল তামিন্ননবা লূচিংবশিং উনবা চৎকনি। মসিদা নত্তনা মখল কয়াগী অচৌবা প্রোজেক্টশিং মণিপুরদা পায়খৎপীনবা এন দি এ গভর্ণমেন্টতা মহাক্না লূচিংবা টিম্না তকশিনখিবা লৈখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ইন্দো-বর্মা রোদতা কোইরেঙ্গৈদগী কাঞ্চিপুর ফাওবগী লম্বী মতেক অসিদা ঙাইহাক লৈতনা ট্রাফিক জাম থোক্লিবসি হন্থহন্নবা অচৌবা ওভর ব্রিজ অমা শানবা সেন্টরদা তকশিনসি হায়না খন্নরি। হায়রিবা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপা মতমদা কম্পেনি অমনা শেল পুথোক্তুনা শাহল্লগা মদুগী শেনফম অদু টোল টেক্সতগী কারকপা টেক্সনা শিংগৎপা য়াগনি।

মহাক্না হায়খি, মালোমদগী চুড়াচান্দপুর ফাওবা লেন তরুক্কী লম্বী শেমগৎপদা নম্বোল, বিষ্ণুপুর, নিংথৌখোং, মোইরাং কৈথেলনচিংবা মতমগা চুনবা মওংদা সেটলাইট টাউনশিং ওইনা শেমগৎপা য়াগনি। হায়রিবা সেটলাইট টাউন অসি শেমগৎপদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা চাদা ৩০, কম্পেনিনা চাদা ৭০ পুথোক্লগা লুপা ক্রোর ১০০ চঙগদবা প্রোজেক্টশিং শানবা থৌরাং তৌরি।

জাপানগী ৱার মেমোরিএল লৈরিবা...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

# 'শর্মিলাগী খোঙজংনা শাফু পীরবসু অফস্পা রিভিয়ু য়াদ্রি'

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১ (এজেন্সী) ঃ ইরোম শর্মিলা চনুগী হনবা লৈতবা চরা হেনবগী খোঙজংনা ঐখোয়দা অরুম্বা শাফু অমা পীরে, চহী দিকেট অমা হেন্না চথরক্লবা মহাক্কী খোঙজং গভর্ণমেন্টপু অফস্পাগী মতাংদা ৱাখল অমা খলহল্লে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (হোম) কিরেন রিজিজুনা হিন্দুস্থান টাইমসতা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, চয়েৎনবা অমদি ৱাথোক ওইরবা আর্মদ ফোর্সেস (স্পেসল পৱার) এক্ট, ১৯৫৮ অসি হৌজিকমক্কী ওইনদি হেক্তা রিভিয়ু তৌবা য়াদ্রি। অফস্পা রিভিয়ু তৌবা হায়বসি হৌজিকমক্কী ওইনা খন্ন-নৈনবগী এজেন্দা লৈত্রি। রিভিয়ু তৌনবগী থবক লৌখৎত্রিঙৈ মমাঙদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং, ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা পীখৎলকপা ঈ-পাউশিং পুম্নমক কুপ্পা নৈনবগী মথৌ তাই।



ঐখোয়গী দেমোক্রেটিক ওইবা লৈঙাক অসিদা মীওইবগী হক হায়বসি য়াম্না মরু ওই। অদুমকপু লৈবাক্কী নেসনল সিক্যুরিটিনা অমুক্কা হেন্না খ্বাইদগী মরু ওইরি অমসুং মসি করিগুম্বা হিরম অমত্তদা শোকহনবা য়াদবা অমনি।

শর্মিলাগী খোঙজং অসিনা শীংথানিংঙাই ওইবা শাফু অমা পীরে হায়বা ৱাফম য়ারদুনা রিজিজুনা মহাক মশামক্না হকথেংননা শর্মিলাগা উননবা থোঙ হাংলি। মহাক্না ঐবু উনবা পাম্বা মফম অদুদা ঐহাক লৈগনি হায়খি।

হৌখিবা ইরায় নুমিৎতা শন্দোকখিবা এন দি টি ভী সো অমদসু কিরেন রিজিজুনা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা শর্মিলাগী লাঞ্জংবু য়াবা তাই। অদুবু লম্বী অমদি পুথোকপা তারি। অফস্পাগী মতাংদা অমুক হন্না খন্থবা হায়বসি মহাক য়াদবা লৈতে।

ইম্ফাল এয়রপোর্ট মনাক্কী মালোমদা আসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা মীচম ১০ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা থৌদোক্কী মতুং কুমজা ২০০২দা ইরোম শর্মিলা চনুনা লাম্নীদা কা হেনবা মতিক ময়ায় পীশিল্লিবা অফস্পা লৌথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা শিদ্রিফাওবা...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

# লৌমীশিংগী দিমান্দ তানবা নুমিৎ থৌরম কৈশাম্পাৎতা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচএনএস) ঃ কৈশাম্পাৎ কৈশাম লৈকায়দা লৈবা কৈশাম্পাৎ লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোলদা ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি, মণিপুরনা শীন্দুনা ১১৮শুবা ইরাবত মন্থ সেলেব্রেসন থৌরম হৌদোকপগা মরী লৈননা লৌমীশিংগী দিমান্দ তানবা নুমিৎ পাঙথোকখ্রে।

জননেতা ইরাবতকী কুমওন হৌদোকপগা ঈরোইননা মণিপুর লৌমী লূপকী ভোল্যুন্টিয়রশিংনা লৌমীশিংগী দিমান্দ তান্দুনা ৱাকৎ-মীফম ফমখি। থৌরমসিগী অহানবা শরুক্তা জননেতা ইরাবতকী মিতমদা হৈ-লৈ কৎতুনা ঈকাঈ খুম্নবা উৎলবা মতুংদা ৱাকৎ-মীফম অসি পাঙথোকখিবনি। ৱাকৎ-মীফমসিদা, প্রসিদেন্ট, মণিপুর লৌমী লূপ, কমরেদ এন মঙ্গি, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি, সী পি আই, মণিপুর কমরেদ এল থোইরেন, সেক্রেটরিয়েট মেম্বর, সী পি আই, মণিপুর, কমরেদ, এল ইবোয়াইমা, সেক্রেটরি, ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি, মণিপুর, কমরেদ, এল সোতিনকুমার, সী পি আই মণিপুর ব্রাঞ্চকী থৌমী কয়া অমদি মণিপুর লৌমী লূপকী মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

এন মঙ্গিনা হায়, হৌজিক ঐখোয়না লৈরিবা কংলৈপাক মণিপুর জননেতানা কল্লম্বনি। মহাক্না জাতি ভেদ খায়দনা পোথাবা লৈতনা লৌমী-শিন্নীশিংগী, শান্নরোয়শিংগী, নুপীশিংগী, ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# ইন্সপেক্টর ফাওবগী মখাদা লৈবা পর্সনেল তম্পাক্তা চহী ৪দগী হেন্না লৈবা য়াররোই

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচএনএস) ঃ মণিপুর পুলিসকী নন-গেজেটেদ হায়বদি ইন্সপেক্টর ফাওবগী মখাদা লৈবা পর্সনেলশিং তম্পাক্তা চহী ৪দগী হেন্না লৈবা য়াদনবা ট্রান্সফর এন্দ পোষ্টিং পোলিসি ঙসি নোংমা-নীনিসিগী মনুংদা শেম্লগনি হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়রি।

ট্রান্সফর পোলিসি অসিদা পুলিস, এম আর অমদি আই আর বিগী পর্সনেলশিংসু কোনশিনগনি। পর্সনেল অমনা ৱাচৎ-ৱানোম তৌরগা পোষ্টিং অফবনি হায়না লৌবা মফম অমদা চহী শাংনা লৈবা, চীংদা চৎলু হায়বা য়াদবগী ফীভম অসি য়েংলগা গভর্ণমেন্টনা অনৌবা থৌশীল অমা শেম্নবা ৱারেপ অসি লৌবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

পুলিস পর্সনেল অমনা তম্পাক্তা চহী ৪ লৈরক্লবদি মহাক চীংদা চহী ২ লৈগদবনি। চীংদা চহী ২ মথৌ তৌরক্লবা পুলিস পর্সনেলনা ৱানোম্বা তৌদনা তম্পাক্তা চহী ৪ লৈহনগনি। অদুমকপু হায়রিবা থৌরাং অসি পায়খৎপদা চীং অমসুং তমদা লৈরিবা পুলিস ষ্টেসনশিংগী মশীংদগী তমগী পুলিস ষ্টেসন মশীংনা হেনবা অমসুং পুলিস ষ্টেসন অমদা লৈগদবা পর্সনেলশিংগী মশীং তম্পাক্না হেনবা মরম্না চপ মান্ননা চহী ৪/৪ ট্রান্সফর তৌবগী থৌশীল অসি য়ারক্তবদগী চীংদনা চহী ২, তমদনা চহী ৪গী সিষ্টেম অসি লাকপনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, তম্পাক্তা চহী ৪ পোষ্টিং তারক্লবা পর্সনেলশিংনা মহাক্কী পোষ্টিং তাবগী মতম লোইদুনা চীংদা চৎপা মতম য়ৌরকপদা করিগুম্বা চীংগী পুলিস ষ্টেসনশিংদা সেঙ্কসন পোষ্টতগী মশীং হেন্না পর্সনেল লৈরম্বা থোক্লবদি পর্সনেল করম্বনা হান্না চহী মপুং ফারবগে হায়বদু য়েংলগা সিরিএলগী মতুং ইন্না মথং মথং ট্রান্সফর থাগনি।

এম আর নৎত্রগা আই আর বিগী বট্টালিয়নশিং তম্পাক্তা লৈবা ওইরবসু পর্সনেলশিং অমগা অমগা ট্রান্সফর তৌনবা য়াবনিনা চহী ৪ তম্পাক্তা লৈরক্লবা অমা চীংদা চৎনবগীদমক চীংদা লৈবা বট্টালিয়ন অমদা ট্রান্সফর তৌগনি হায়বা থৌশীল অসিদা য়াওরি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।


# সিবিক এক্সন প্রোগ্রামগী হিরমদা নৈনবা আর পি এফকী বুকলেট ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ ঃ মণিপুরদা ইন্দিয়ন আর্মীগী সিবিক এক্সন প্রোগ্রাম হায়না মিংথোনবা বুকলেট অমা রেভল্যুসনরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)কী পব্লিসিটি দিপার্টমেন্টনা ফোঙখ্রে।

বুকলেট অসিদা ইন্দিয়ন আর্মীগী মীওৎ-মীনৈ, ফল্লানবা, হন্থনা য়েংবীবা অমদি নুংশি-চান্নরা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা শীংচেপ থাবগী মতাংদা মরিক চুম্না য়াওরি। ইন্দিয়ন আর্মীনা আইদিওলোজিকল ৱেপন খুদিংমক শীজিন্নদুনা হায়বদি লাইনিং লম্বী, অনা-লায়েং, ফিলানট্রোফি, সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন নৎত্রগা সিবিক এক্সন প্রোগ্রামনচিংবা ওইরবসু অমা হেক্তা লেঙ্গোন্নরগা চৎমিন্নদুনা নমথবীরবা মীয়াম্বু মপুক ফাধনবা হোৎনৈ অমদি কোলোনাইজেসনগী থবকশিং অসি মীয়ামগী য়াইফনবনি খলহন্নবা হোৎনৈ হায়নসু বুকলেট অসিদা ময়েক শেংনা পল্লি।

ইন্দিয়ন আর্মীনা পায়খৎলিবা সিবিক এক্সন প্রোগ্রামশিংগী শরুক অমা ওইনা মৈরা পায়বীশিংদা তোংশিন্দুনা অমগা অমগা...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

**Smt. Potsangbam (Ongbi) Rajkumari Sanajaobi Devi**



13/02/1919 to 29/08/2014

**Eema**

*May Your Soul Rest in Peace !*

| Aasti | Shraddha |
|---|---|
| Wednesday, 3rd Sept., 2014 | Thursday, 11th Sept., 2014 |

1. Potsangbam Ongbi Basundhari Devi (Eldest daughter in law)
2. Potsangbam Ningol Ibemhal Devi (Daughter)
3. Potsangbam Iboyaima Singh (Son)
4. Potsangbam Dhanabir Singh (Son)
5. Potsangbam Ningol Dhaneshwari Devi (Daughter)
6. Potsangbam Dhanakumar Singh (Son)
7. Potsangbam Ranabir Singh (Son)
8. Potsangbam Kulachandra Singh (Son)

*Other Daughters in law, Grandchildren, Great Grandchildren and Relatives*

**Haobam Marak Ngangom Leikai, Imphal**

HL-Cr/1450/3142

# লক্ষীপুরদা অহুম্লকশুবা মণিপুর লেভী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১ (ঐচএনএস) ঃ বরাক ভেলি মৈতৈ কনভেন্সন, কাছার, লক্ষীপুরগী থৌশিল মখাদা চহী খুদিংগী ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকপা মণিপুর লেভী নীংশিং থৌরম ওগষ্ট ৩১ দা অহুমশুবা চহী ওইনা লক্ষীপুরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু বরাক ভেলি মৈতৈ কনভেন্সনগী পাউতাক্লোই ৱাংখেম শরতচন্দ্রনা থৌরম মপু, হাইলাকান্দি দিষ্ট্রিক্টকী এ দি সী (এদিসনল দেপ্যুটি কম্মিস্নার) কাঙবম শান্তিকুমারনা অথোইবা মীথুং, আর্ট এন্দ কলচর, মণিপুরগী জোইন্ট দিরেক্টর ডো: কে সুসিলানা অখন্নবা মীথুংলেন অমসুং সেনিয়র সিটিজন হাওবম গৌরহরিনা ঈকাই খুম্নবা মীথুং ওইখি।

মীথুংলেন কাঙবম শান্তিকুমার, মৈরা চুখৎতুনা থৌরম হৌদোকপগা লোয়ননা কনভেন্সনগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুম্নাম মনিকান্তনা ময়াম্বু তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীরবা মতুংদা অখন্নবা মীথুং ডো: কে সুসিলানা মৈরা চুখৎতুনা মণিপুর লেভীগী ইপা-ইপুশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ঈকাই খুম্নবা উৎখি।

থৌরমদুগী য়াম্না নীংশিংনিঙাই শরুক অমদি কুমজা ১৮৯১ গী এঙ্গলো-মণিপুর লাল মতুং মণিপুরবু ইংরেজনা লৌশিল্লবদা মৈদিংঙু নরসিংহগী চাদা-নাওদা ওইবা অঙাং ওইরিবা চুড়াচান্দবু নিংথৌ হাপখিবগী ইন্দিয়াগী ভাইসরোই অমসুং গভর্ণর জেনরেলনা সহি তৌদুনা পীবা সনদ দোক্যুমেন্টকী ওরিজিনেল কোপীশিং ইম্ফালগী ৱাঙ্খে অঙোম লৈকায়দা লৈবা ডো: নারুম্বম অচৌবনা মীয়াম মাঙদা আর্ট




এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট মণিপুরগী জোইন্ট দিরেক্টর ডো: কে সুসিলাদা খুৎশিন্নখিবা অদুনি। দোক্যুমেন্ট খুৎশিন্নখিবা ডো: নারুম্বম অচৌবনা মহাক্না মতৌ করম্না অসিগুম্বা ওরিজিনেল কোপী ফংখিবনো হায়বদুসু মীয়ামদা পাউদমখি।

থৌরমগা মরী লৈননা ৱাঙাঙলোই অহুম্না পুৱারীগী তোঙান তোঙানবা হীরম অহুমদা ৱা ঙাওবগা লোয়ননা অইবা চেরোল পুথোকখি। লক্ষীপুরগী 'খোরিরোল'গী এদিটর থোকচোম বিশ্বনাথনা কছারদা মৈতৈ নিংথৌ মচাশিং, রিসার্স ফোরম মণিপুর ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম ইন্দ্রমনীনা মণিপুরগী নীংতম্বা হঞ্জিনবদা মণিপুর লেভীনা লৌখিবা থৌদাং, মোইরাং থাংজিং য়াগৈরোল, মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরি মোইরাংথেম রঘুমনী কেগেচানা কছার অমসুং মণিপুরগা লৈনবা মরী হায়বা হীরমশিংদা নৈনখি।

থৌরমগী মীথুংলেন ওইখিবা কাঙবম শান্তিকুমারগী ৱারোলদা কছারগী দেপ্যুটি কম্মিস্নারগী ওফিস চেম্বর মনুংদা ফল্লাংদা পাক চাউরবা বোর্ড অমদা কছারী নিংথৌ গোবিন্দ চন্দ্রবু মৈতৈ ম্যেরোদরশিংনা হাৎখি হায়না ইদুনা থেৎলিবগী ৱাফমবু পল্লদুনা পবন বরঠাকুর, আই এ এসনা কুমজা ১৯৮৮-৮৯ দা কছারগী দি সী ওইরিঙৈ মতমদা গোবিন্দ চন্দ্রবু মৈতৈশিংনা...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

ঈ-পাউজা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৮৫৬৫৯৪২৬২